নাওরেম রাজনিংথৌ মেমোরিএল ট্রোফি

# পি সী সী ময়াই কোইবী, ঈ এস য়ু ৱাঙ্খে পেলেস কম্পাউন্দ অমসুং শেদো থাংমৈবন্দ মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ (ঐচএনএস):** মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন (এম এন সী এ)গী মীৎয়েং মখাদা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা হৌজিক-হৌজিক চৎথরিবা ৫রক শুবা এম এন সী এ অন্দর-১৬ বোইজ নাওরেম রাজনিংথৌ সিংহ মেমোরিএল ট্রোফি ২০২৪-২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা পি সী সী ময়াই কোইবীনা ৱাই ঈ এস এস দি এ এন নিংথৌখোং, ঈ এস য়ু ৱাঙ্খে পেলেস কম্পাউন্দনা এস সী সী সী শীংজমৈ থোঙাম লৈকাই অদুগা শেদো থাংমৈবন্দনা ৱাই পি ঐচ য়ু সী ললাম্বুং মখোঙ মায়থীবা পীখ্রে।







ঙসি অয়ূক অঙনবদগী হৌরগা পব্লিক গ্রাউন্দ খাঙবোক পার্ট-৩ চেরাপুরদা পি সী সী অমসুং ৱাই ঈ এস এস দি এ এনগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস পি সী সীনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌনবা খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা পি সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা রহিশ খান অমসুং লক্কী থোকচোমনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। রহিশ খান বোল ২৫ মায়োক্লবদা রন ২৬ লৌরম্লগা লাইশ্রম গীরিগী বোলদা আউট ওইখি। অদুবু অতোপ্পা ওপনর বেটসমেন লক্কী থোকচোমনা হৈন-শিংনা মায়োক্লবা টিমগী বোলরশিংনা চৎথরকখিবা এটেকশিং মায়োক য়াবা ঙমখিবদগী বোল ৪৭ মায়োক্লবদা রন ১০৭ লৌদুনা টিমগী রন মশীং য়ামহন্নবা হোৎনবদা চাওনা মতেং পাংলমখি। মহাক্কী মতুংদা থোক্লকখিবা বেটসমেনশিংনসু হৈ-শিংনা শান্নবা ঙমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা বেটসমেন মেভরিক ৱাহেংবমনা বোল ৪১ মায়োক্লবদা রন ২৯, জিয়া খাননা বোল ১২ মায়োক্লবদা রন ১০, সিমোন কোন্থৌজমনা বোল ২৫ মায়োক্লবদা রন ১৭, লমঙানবা নোংমাইথেমনা বোল ৩৬ মায়োক্লবদা রন ৩৬ অদুগা রোজর লাইশ্রমনা বোল ১৪ মায়োক্লবদা রন ১৫ লৌদুনা টিমগী রন মশীং য়ামহনবদা মতেং পাংলমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা অপীবা ওভর ৩৫ লোইবদা ৱিকেট ৮ তুরগা পি সী সীনা রন ২৯৩ লৌবা ঙমখি।

ৱাই ঈ এস এস দি এ এননা টার্গেট রন ২৯৪ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অদুগী বেটসমেন অমত্তনা মায়োক্লরিবা টিমগী বোলরশিংনা চৎথরকখিবা এটেকশিং ক্রিজতা লৈদুনা মায়োক য়াবা ঙমখিদে। টিম অসিগী বেটসমেন অমত্তনা রন ৫ য়ৌনা লৌবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা শুপ্নতগী ওভর ১৪.২ শুরকপদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ২০দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু পি সী সীনা য়াম্না লাকচনা রন ২৭৩দা মায় পাকখিবনি।

ঈ এস য়ু অমসুং এস সী সী সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ঈ এস য়ুনা টোস ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌনবা খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা ঈ এস য়ুনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ওভর ৩০দা ৱিকেট ১০ তুরগা রন ২৭৯ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা বেটসমেন হঞ্জবম নাওবনা বোল ৩৯ মায়োক্লবদা রন ৫৮ লৌরগা আউট ওইদনা লৈবা ঙমখি।

এস সী সী সীনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ২১.৩ শুরকপদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৬১দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ঈ এস য়ুনা লাকচনা রন ২১৮দা মায় পাকপা ঙমখিবনি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা এ তোমথিনঙানবনা বোল ৫৭ মায়োক্লবদা রন ২০ অদুগা টি ঐচ বোরিশনা বোল ২৭ মায়োক্লবদা রন ১২ লৌরমখিবা অদু নৎতনা লেমহৌরিবা বেটসমেন অমত্তনা দিজিট অনী শুনা রনশিং লৌবা ঙমখিদে।

খুদৈবন্দ লম্পাক তাওথোংদা শেদো অমসুং ৱাই পি ঐচ য়ু সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা শেদোনা টোস ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। শেদোনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ৩১.১দা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১৩৯ লৌবা ঙমখি।

ৱাই পি ঐচ য়ু সীনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ২৬.২ শুরকপদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১২২দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু শেদোনা রন ১৭তা মায় পাকখিবনি।

# নন-রেসিদেন্সিএল কোচিং কেম্পতা শরুক য়াগদবশিং খনখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ (ঐচএনএস):** মথং থাগী ২৯দগী হৌরগা চহী অসিগী দিসেম্বর ৫ ফাওবা কোলকাটাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৯লক শুবা নেসনল য়ুঠ বাস্কেটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২৪দা শরুক য়ানবা ষ্টেট য়ুঠ বোইজ টিম শেম্নবগীদমক নন-রেসিদেন্সিএল কোচিং কেম্পতা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে।

খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি এল এম ৱাই ভি এগী ওৱেন মুতুম, টি ঐচ থৌঙম্বা, সলাম দার্ৱিন, এস লৈঙাকপা, মুতুম কেলভিন; ঈ এস য়ুগী ঐচ রিশিকান্তা, জোন কেনেদি কে, সটিশ ক্ষেত্রিময়ুম, বি মিলকান, মঙাল লাইশ্রম; সী ৱাই এল সীগী লৈশেম্বা এল, এল লানঙম্বা, এম চিঙ্খেঙানবা, নোংমাইথেম অনুরাগ, য়ুঠ ক্লবকী ৱিলসন য়ুরেম্বম, বেঞ্জামিন য়ুরেম্বম, তাইবংঙানবা ৱাই, লনচেনবা ৱাই, ৱাই ও এস সীগী সেমসন অথোকপম, থোকচোম বিরঞ্জন; মোদেল ক্লবকী ভিলগেট লাইশ্রম, তেলহৈবা লাইতোঞ্জম; বি দি বি এগী এম সুরিয়াজিৎ, পি ইনুংঙানবা; সাইনিক স্কুলগী দেনিএল সানধম অমসুং ৱাই দল্লিয়ু সীগী লক্কী চোংথামনি।

খল্লবা শান্নরোয়শিং অসিনা থা অসিগী ৩১গী অয়ূক পুং ৬ অমসুং নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদগী হৌরগা ব্রহ্মপুর নহাবমদা লৈবা বাস্কেটবোল কোর্টতা নুমিৎ খূদিংগী লাক্কুনা চীফ কোচ টি নিলামণি, এসিষ্টেন্ট কোচ ঐচ দিনেশ অমসুং গ্যানারাঞ্জন কোইজমদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি সী ঐচ তেজ কুমারনা খূৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ꯂꯣꯟ ꯐꯪꯒꯅꯤ
**VEHICLES / MACHINERY / PENSION LOAN AVAILABLE**
**(used vehicles exchange offer)**

- # 2/Wheeler : Classic 350, Hero Xtreme 160R, Jawa 350, Activa, Dio, Jupiter etc.
- # 3/Wheeler : Diesel Auto, Petrol Auto, e-Rickshaw etc.
- # 4/Wheeler : Eco Van, Super Carry, Tata ACE Gold, Jeeto etc.
- # 4/Wheeler : Thar, Alto 800, Tata Nexon/ Punch/ Tiago + Luxury cars etc.
- # Machinery : Stone Crusher items, Flex Printer, Rice Mill, Tyre Fitting set, Car Wash Machine set etc.
- # 2/3/4 Wheeler used vehicles exchange গী offer পীজরি।
- # State/Central Pensioner শিংগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% p/m গী Interest তা Pension Loan গী খূদোংচাবা পীজরি।

**EMPLOYMENT NEWS**
# Car Wash Helper, Tyre Fitting Helper, Chicken Centre অমসুং Poultry Farm গী মী (Boy) পামজৈ।

*Please Contact :* **L.G. Motors**
Khagempalli Huidrom Leikai,
Mobile No. : 1) # 9362775475
2) # 9383154086

HL-B/9104/18/10-8/11

# সুশিলা অমসুং বিচু খল্লকপদা ফামনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯(ঐচ এন এস):** মথং থাগী ১১দগী হৌরগা ২০ ফাওবা বিহারগী রাজগীরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিমেন্স এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ ট্রোফি ২০২৪দা শরুক য়াননবা ইন্দিয়ন ৱিমেন্স হোক্কী টিম লাউথোরকপদা সুশিলা চনু পুখ্রম্বম (ফোর্মর ওলিম্পিক কেপ্টেন অমসুং অর্জুনা এৱার্দী) অপোকপা পি শ্যামসুন্দর অমসুং অপোকপী পি ওংবী লাতা থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকাই অমদি বিচু খারিবম (এসিয়ন গেমস ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট) অপোকপা খারিবম রোমেন অমসুং অপোকপী খারিবম ওংবী ইবেম্মা চরাংপাৎ মনিং লৈকাই অনী খল্লকপদা মখোয়গী হৌরকফম ওইরিবা পোষ্টেরিয়র হোক্কী একাদেমি মণিপুর (ফাম) গী মায়কৈদগী হরাউনুংঙাইবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ইন্দিয়া টিমদা শরুক য়াদুনা অমুক হন্না মায় পাকপা ওইরসনু হায়না ফামনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# এম য়ু টি টি টিমদা য়াওগদবশিং খনখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯(ঐচ এন এস):** মথং থাগী ১৩দগী হৌরগা ১৬ অমদি ২০দগী হৌরগা ২৩ ফাওবা অসাম রোয়ল গ্লোবেল য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি টেবল টেন্নিস (মেন এন্দ ৱিমেন) টুর্নামেন্টতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টেবল টেন্নিস (মেন এন্দ ৱিমেন) টিম রিপ্রজেন্ট তৌগদবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে। খনখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি নুপাগীদা করাম রোহিট, সিদার্থ নাওরেম, কে এস ঐচ নেলসন, এ বিরাল অমসুং নোংপোকঙানবা আর কেনি। অদুগা নুপীগীদা খনখ্রবশিংনা ঐচ য়াইফবী চনু, ঐচ লিয়া চনু, বিনিতা থিয়াম অমসুং মাইনম দিপানি। খল্লবা শান্নরোয়শিং অসি কোচিংগীদমক মথং থাগী ৪গী অয়ূক পুং ১০ তাবা মতমদা এ দি এস, এম য়ুদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1291**

**FM N. Golovin (2188) - WFM F. Agasiyeva (2199)**
**Open ch-Odoyev 2018 Odoyev RUS (6), 2018.06.02**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.d4 exd4 | 4.Nxd4 Bc5 |
| 5.Nb3 Bb4+ | 6.Bd2 Qe7 | 7.Bd3 Bxd2+ | 8.Qxd2 Nf6 |
| 9.Nc3 d6 | 10.O-O-O O-O | 11.Rde1 a5 | 12.a4 Be6 |
| 13.Nd5 Qd8 | 14.Re3 Ne5 | 15.Rg3 c6 | 16.Nxf6+ Qxf6 |
| 17.f4 Nd7 | 18.Rf1 Bxb3 | 19.e5 dxe5 | 20.fxe5 Qxe5 |
| 21.cxb3 Nc5 | 22.Bc2 Rad8 | 23.Qh6 Nd3+ | 24.Bxd3 Rxd3 |
| 25.Qf4 Qc5+ | 26.Kb1 Rxg3 | 27.Qxg3 g6 | 28.Qf3 Qe5 |
| 29.h3 f5 | 30.Ka2 Rd8 | 31.Rf2 Rd4 | 32.Re2 Re4 |
| 33.Rd2 Qe6 | 34.Ka3 b5 | 35.axb5 cxb5 | 36.Rd8+ Kf7 |
| 37.Qd3… | | | |

**QUESTION :** Black to checkmate

**Puzzle 1290 Solution :**

**30. Qxh5+** The white queen decoys Black's king. **Kxh5 31. Nxf4+ Kg5**
31...Kh6 32.Ng4+ Kg5 33.h4#
**32.h4+ Kh6 33.Ng4#**
**1-0**




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com